**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-09.2024)**

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. মহিলা মোর্চানা হায়রি-রাজ্য অসিদা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা চথরক্লিবা এট্রেক তৌরক্লিবা অসি মখা তানা তৌহন্দনবা অমদি ঙাকথোকবা খোঙথাং কয়া অমা লৌখৎলি।

ইম্ফালগী নিত্যাপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি. মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট-শ্রীমতি লৌরেম্বম লোতিকা লৈমানা হায়-মুখ্য মন্ত্রি হায়বসি জাতি কাংলুপ অমখক্কী নত্তে, লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ অমদি মনিপুর মীয়ামগীনি। মহাকা হায়-হৌজিক হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা চরাংনবা তানফম অসিদা সরকার অসিনা লৌগদবা থৌদাং য়ামা চাউবা মরমনা সরকার অমা লৈবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে।

মহাকা মখা তানা হায়-মশাগী কান্নবা অমদি রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌবা পাম্বশিংনা পাল্লিবা সরকার অসিবু থুগায়ননবা হোৎনরি। সরকার অসিদা মীয়ামনা মখা তানা থাজবা থমদুনা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম মতম চুপ্পদা কায়দনা থমবা সরকারগী খোঙথাংবু শৌগৎপীয়ু।

**সিএম(এল)ঃ** ন্যু কৈথেলমানবীদা এস.এস.সিনা লৌবা ইন্দিয়ান আর্মি জেনরেল দ্যুতি (জি.দি) গী রিক্রুইটমেন্ট য়াওবা চৎখিবা মীওই অনি ফাজিনখিবগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, থৌবাল জিলাদগী নহা অহুম হায়রিবা রিক্রুইটমেন্ট অসি য়াওনবনি হায়দুনা চৎখিবগী লম্বীদা শকখঙদবশিংনা ফাখিবনি। অদুবু সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলৈ থুনা সর্স ওপরেসন চথুদুনা মখোয় অহুমগী মনুংদা অমদি তেক্ত

কায়দনা রেস্ক্যু তৌখিবনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা হায়-ফাজিনখিবা মীওই অনি অথুবা মতমদা রেসক্যু তৌননবা সরকারনা হোৎনরি। থৌওং অসি পাংদবগী থৌওংনি হায়নসু মীফম অদুনা হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী লৈশাংথেম অৱাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্কুনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম পীশিনবা, মীওই অনি অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকবা সরকারনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীবা হায়বা ৱাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

অমরোমদা, কোকোমি, অমুকো অমদি তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা মীওই অনি অসি কন্নবা অমদি তেক্ত-কায়দনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা শিন্নবীয়ু হায়না সরকার অমদি মরী লৈনবশিংদা পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**বিরেন (এল) ঃ** জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক নুমিৎকা পালন থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ লিলাশিং খোঙনাংখোংদা লৈবা ইরাবত স্কোয়রদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা হিজম ইরাবতকী মুর্ত্তিদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৮ লক শুবা মপোক কুমওনগী পালন থৌরমনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মরৈবাক নীংবা, মরৈবাক্কীদমক কৎথোকখিবা শক্লোন য়াম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী কৎথোকপা শিংথবদা লোয়বা নাইরোই। ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং ইনদুনা অনৌবা মনিপুর অমা শেমনবগীদমক পুন্না ৱাশক লৌমীন্নরসি।

**স্বাচছত (এল) ঃ** স্বাচছত হি-সেভা অমসুং লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরমগা মরী লৈননা কোংপাল খাইদেম লৈকাইদা, লৈকাই অদুগী অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ মঙানা শিনদুনা লম-তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওরিয়েন্টেল লেবেল্লর এসোসিয়েসন (ওলা) ৱাংখৈ কোংবনা শিনদুনা ক্লব অসিগী অকোইবদা লম তু শেংদোকখ্রে।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথাৱালে) য়ুথ মনিপুরগী থৌমীশিংনা ঙসি ইম্ফালগী কংলাদা লম তু শেংদোকখ্রে অমদি রিমসকী ব্লড বেঙ্ককা খুৎশমদুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবি কম্যুনিতি হোলদা রাস্ত্রিয়া পোসান মাগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** স্বাচছতা হি-সেভা অমদি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা এক পের মা কে নাম হায়বসিদা জিরিবাম জিলাগী বাবুপারাদা লম-তু শেংবা অমদি উ চারাশিং থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, কাউন্সিলগী কেয়ার টেক্কর, এস.শান্তি, জিলা অসিগী এ.দি.সি. টি.ঐচ. মনোরঞ্জন অমদি কাউন্সিল অসিগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

**হার্ট (এল) ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড

হার্ট ডে ২০২৪ গী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি রাজ্য অসিদসু ষ্টেট এন.সি.দি. দিভিজন, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা নেসনেল প্রোগ্রাম ওফ প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দেপনেস (এন.পি.পি.সি.দি) গা পুন্না শিনদুনা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী হোলদা পাঙথোকখি।

'য়ুজ হার্ট ফোর এক্সন' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর সরকারগী হেলথ সাভির্সেস বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবীনা হায়-মালেমগী লৈবাক কয়াদা থম্মোয়গী লায়নানা নাদুনা শিবা মীগী মশিং হেনগৎল্লি। রাজ্য অসিদসু থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইদুনা শিবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। পুন্সি মহিংদা অহোংবা কয়া লাকপা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ৱাৎলকপা, হকচাং শাজেল তৌবগী চাং হন্থরকপা অমদি নিশাগী পোৎলম কয়া শিজিন্নরকপা অসিনা থম্মোয়গী লায়না নারকবগী অচৌবা মরমশিং ওইরি।

ডা: ওল. সনাহনবীনা মখা তানা হায়-থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোক বগীদমক মীপুম খুদিংমকা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, নিশাগী পোৎলমশিংগী লাপা লৈবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱার্ল্ড হার্ট ডে পালন থৌরম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোইদা লৈবা বাবিনা হোস্পিতালদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিংনা থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকবা পাউজেল পুবা রেল্লি অমা চৎখি।

তমেংলোং জিলাদসু অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ৱার্ল্ড হার্ট ডেগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু জিলা অসিগী মচেংলোং ভিলেজতা পাঙথাকখিবনি। থৌরমদুদা মীওই ৩০০ রোম লায়েংখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী সেবারেল হেলথ কেয়ার সেন্টর অমদি আরটেম হিল কেয়ার-গুজরাটকা খ্ৎশমদুনা থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনি চখুরকপা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি লোয়শিনখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ৫০ রোম লায়েংখি।থৌরম অসি স্কাই হোস্পিতালদসু

পাঙথোকখি।

**ইন্টরেক্সন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী লৈজরম্বা ৱেটলেন্দ কয়া ঐখোয় মীওইবনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইদুনা লেপ্তুনা মাঙশিল্লকপদগী লমদম অসিদা অইং আশাগী খল অমদি লৈজরম্বা ঙাগী পোৎথোকশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা লৈরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কলেজতা ঙসি মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্টিংগী মঙাশুবা মেদিয়া ফেলোশিংগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংবদা ৱাফম অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী জ্লোজি দিপার্টমেন্টকী এসিস্টেন্ট প্রোফেসার-ডা: রামেশ্বরী য়ুমামনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-লমদম অসিগী মীয়ামনা ৱেটলেন্দশিং কনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লমদমসিগী তাংলবা ঙা মখলশিং য়োকখৎপদা চাউনা মতেং ওইবতা নত্তনা অকোইবগী ফিভম কনবদসু চাউনা মতেং ওইরগনি।

ৱেটলেন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেটচ চেঞ্জকী দাইরেক্তর-টি. ব্রজাকুমার সিংহ অমদি অতৈ ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**মনিপুরসনা (এল)ঃ**মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা মনিপুরগী ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা  মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর ১৪ দা পাঙথোকখ্রে।

ফোক্সনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ককচিং (এল)ঃ** বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) কী দাইরেক্তর জেনরেল-দলজিৎ চৌধুরিনা ঙসি রাজ্য অসিগী ইরাংনা হেন্না শোকহল্লবা জিলাশিংদা চৎতুনা বি.এস.এফনা মীয়ামগীদমক লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

বি.এস.এফকী মকোক থোংবা ওফিসার অসিনা ককচিং জিলাগী সেরৌদা চৎতুনা মফম অদুদা ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখি। লোয়ননা সেরৌ প্রাক্তিকেল হায়স্কুলদা লৈরিবা ১৩১ শুবা বি.এস.এফ. বটালিয়নগী পার্সোনেলশিংগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা দি.জি. দলজিৎ চৌধুরিনা বি.এস.এফ. পার্সোনেলশিংনা ইরাং থোকপা মফমশিংদা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিন্নবগীদমক লৌফম থোকপা দায়ত্বশিং অদু লৌনবা ৱাফম থমখি।

তুংদা, দি.জি. অসিনা চুরাচান্দপুর জিলাদসু চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা বি.এস.এফনা জিলা অসিদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। খোঙচৎ অদুদা জিলা অদুগী মকোক থোংবা সেক্যুরিতিগী লুচিংবশিংগসু উন্নখি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** মনিপুরদা ইহান হান্না লিংখৎখিবা খৃষ্টান চর্চ-ফুংয়ো বেপটিস চর্চকী ১২৪ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা চর্চ অসি উখ্রুল জিলাদা লৈবনি। কুমওন থৌরম অদুদা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লাইনিং লাইশোলগী ঈশৈশিং শকপা, ঈশ্বরবু খুরুমজবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** লৌবুকতোংবম ভুবনেশ্বরি মচিন-মৌপৱানা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মপাবুংগী মিংদা কৎপা লৌবুকতোংবম শ্যামদেব-শ্যামো শর্ম্মা এৱার্ড-২০২৪, ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-ক্ষেত্রিময়ুম রন্ধোনিদা পীখ্রে। এৱার্ড অসি মনিপুর য়ুথস কলেচরেল ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা ইম্ফালগী রুপমহল ঠিয়েটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি।

**মনকি বাট ঃ** মীয়ামনা লু-নানবা, ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অমদি পাক্তকনা উ থাবগী খোঙজংদা মীয়াম হুপা শরুক য়ামীন্ননবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌরি।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট থৌরমগী ১১৪ শুবা তাঙ্কক্তা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-স্বাচ ভারত মীসন হৌদোকখিবা লাক্লিবা ওক্তোবর অনিদা চহি ১০ মপুং ফারে। মীয়ামনা লৈবাক অসিবু লু-নান্না থমবগীদমক মীয়াম পুন্না শরুক য়ামীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেইন অসিদা মীয়ামনা মপুং ফানা শরুক য়ারবদি মসিগী অফবা ফল সমাজ অসিদা উবা ফংগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মেক ইন ইন্দিয়া ইন্সিয়েটিবকী মখাদা ভারত অসি পোৎ চৈ পুথোকপগী পৱার হাউস অমা ওইবা ঙমলে। মহাকা হায়-লাইরবা, মিদল ক্লাস অমসুং এম.এস.এম.ইশিংনা থৌরাং অসিদগী কান্নবা কয়া ফংবা ঙমলে। মসিনা মীওই কাংলুপ মখলশিং অসিগী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎথোকবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। কুম্মৈগী মতমদা মীয়ামনা লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমশিংতমক লৈবীনবা শ্রী মোদিনা মীয়ামদা আপিল তোরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহারাস্ত্রাদা ঙসি লুপা কোতি লিশিং ১১,২০০ হেন্না চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে, খরগীনা শঙ্গাখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজক্তে কয়া অসিনা মহারাস্ত্রাবু হেন্না চাউখৎপগী অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোকপা ঙমহল্লগনি। ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা সোলাপুর ইয়ারপোর্ট অসিনা অখন্ননা ভগবান বিখলগী ভক্তাশিংদা অনৌবা খুদোল ওইরগনি। মহাকা হায়-ইয়ারপোর্ট অসিনা টুরিজম য়াওনা হীরম কয়াদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মপুং ফানা চাউখৎলবা পুনেগুম্বা সহরশিং লৈবাক অসিদা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-সমাজ অমদা অওনবা পুরকবা হোৎনবদা নুপী লুচিংবশিংগী অচৌবা দায়ত্ব লৈ। নুপাশিংদা শক্তি পীনবগীদমক্তা সাবিত্রিভাই ফুলেনা লৌরম্বা থৌদাংবুসু প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**জম্মুঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভা মীখলগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি লোয়খ্রে।

তাঙ্কক অসিগী মীখল বিধান সভা কেন্দ্র ৪০ দা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীখল পাঙথোক্কনি। সিট ৪০ অসিগী মনুংদা ১৬ না কাশ্মির দিভিজনগীনি অদুগা লেমহৌরিবা ২৪ না জম্মু রিজনগীনি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোকপনি। অহানবা তাঙ্কক্তা চাদা ৬১ অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্তনা চাদা ৫৬ কী চাংদা ভোট থাদনখি। ভোট মশিং মথং থাগী ৮ দা থিগনি।

অমরোমদা, তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কদৌরিবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। মীখল অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল কয়াগী মখোয় মখোয়গী মীখলগী মেনেফেস্টোশিং ফোংখ্রে।

**বিহার ঃ** বিহারদা গন্দক অমসুং কোসি তুরেলশিংদা শাবা খ্বাইদগী চাউবা বরেজ অনিদগী পাথোরকপা ঈশিংনা অনেম্বা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নেপাল অমসুং অৱাং থংবা বিহারগী কেটচমেন্ট এরিয়াদা অকনবা নোং চুবদগী গন্দক, কোসি, মহানন্দ অমসুং মখোয়গী মশা মরেংশিং ঈমায় চোন্না চেল্লে। জিলা ১৩ দা ফ্লড এলার্ট লাউথোকখ্রে। দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মতুংইন্না রাজ্য অদুগী ব্লোক ২০ গী মীওই লাখ ১ লিশিং ৪১ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি।